# 'য়ু' গী ৱারী

ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈ 'গ্রেন্স সিনাত্রা' কৌবা অফাওবা শৈশকপা অমগী মমিং তাখি। ঐহাকপুদি নোংচুপলোমগী ঈশৈ (রেষ্টর্ন সোং) তাবা হৈবা নাকোং অমা পাল্লমদবা মাগী ঈশৈ অমত্তসু ফারকখিদে। বোল্লিঙ্কদগী ঈশৈদি মতমদুদা লিপীংগী মথক্তা ফায় খন্না চাথোকখি। ঐনা 'গ্রেন্স সিনাত্রা' নীংশিংলুবদি ঈশৈগী মরমদা ৱারেং ইননবা নত্তে। 'য়ু' গী মরমদা ৱারেং অমত্তং ইগে খল্লকপসিদা মানা মতমদুদা হায়খিবা ৱা অমা নীংশিংলকপনি... 'য়ু হায়বসি মীওইবগী ফ্রেন্ডনি হায়নরকই, হায়নরি... অদুগা বাইবলনসু তাকপীরকই য়েক্রবু নুংশিয়ু... বাইবলবু থাজভবা ঐহাক্কু য়েক্রবা য়ু'বু করম নুংশিরোই'... ! ফাগি ওইনা হায়দোকখিবা গ্রেন্স সিনাত্রাগী ৱাহায়দু য়ু থকপা পামজবা, য়ু থক্লিবগী মরম পীনবা হোৎনরিবা মীওই কাঙলুপ অদুনা মখোয়গী পাউরৌ-পাউতাক ওস্থোকখিবনি... মীওইবনা য়ু থক্লৈদবগী মরম করিনো?

যুগী ৱারী-মীওইবনা খুন্দারিবা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা, লৈবাক খুদিংমক্তা লীনরকই। থক্নরকই যুগ যুগ কয়াদগী, মীবু শেন্বা লাইনসু, মীওইবা কৌবা থৱায় পানবসি শেমদ্রিঙৈ লাইরৈবাক্কী লৈকোন্দা অপসরা-মেনকা-উর্বশি'না জগোয় শারিঙৈ লাইয়াম্না থকখিবা ময়াই কাবা মহীদুবু কৌনৈ 'অমৃত'। লাইয়াম্না থকখিবা অমৃত'দুনি নিংথৌকোনগী অঙম অথৌনা রাজদরবার'দা য়ুরাংবীবু হৈহন্দুনা শকহেনবী জগোয় শাবীগী জগোয় য়েংল য়েংলগা থকখিবা। মখোয়গী মতৌ তম্লগনি মীচম-মীয়াম ঐখোয়নসু য়ু থকফম ঈরাংশঙ, য়ুরাংফম লীংখৎলকখিবা। অফাওবা মেথমেটিসিয়ন অমদি এষ্ট্রোলোজর 'ওমর খইয়াম'সু ওইরকখি কবি, খল্লুবদা যুগী ৱাখল। অমর ওইরবা 'রুবাইয়ত' - থোল্লকখি মাগী কলমদগী ... 'নীংথিরবা শৈরেং লাইরিক অমা পারদুনা উখাদা/অহাউবা মথেল অমদি য়ু-পাত্রদুনা চীনবা দা/নুংশিবী নঙনা ইনাকসিদা নুংশি ঈশৈ শক্লবা/পূমহাঙ হাঙবা মফমদুনি ঐহাক্কীদি লাইরৈবাক'...। যুগী শৈরেং রুবাইয়ত'না শুমহৎলবা, যুগী ইরিক অমত্তসু মচিনবান্দা তংখিদবা হবিব রাই বাচন'সু ওইরকখি ময়াই কারবা য়ুথকপা। রুবাইয়ত'কী ইথিলনা ইরকখি মহাক্কী যুগী শৈরেংশিং - 'মধুশালা, মধুবালা অমসুং মধুকলশ'। হায়রম্মী ... 'ঐনা শিরগা তেংথা নাওই কপ্লিবা, মাগী মীৎলুদগী শিন্থরক্কনি য়ু-ইরিক/নুংশিবা মনম য়েল্লক্কনি চীন্দুনা, থক্লুরগা ময়াই কার' য়ু-ইরিক/তুরোই ঙাস্লোই চৎলিবা মখোয়গী, মরেংজুমদা পুহল্লু, ঐগী হকচাং/মোংফমগী মৈ চুখৎপীয়ু মফমদুদা, মতম অমদা ওইরম্বদো য়ুরাংফম'। অনৱর ফরুকৱাদি'নসু ইরম্মী ... 'খঙই ময়াম্না ঐসে য়ুথকপা নত্তে, কনাগুম্বনা পীথক্লবদি ঐহাক করি ওইগনি'...। লোইবা নাইদবা যুগী ৱারী-ঈশৈ-শৈরেংনি, মীওইবগী পুৱারী ইবা হৌদ্রিঙৈদই লৈরক্লবা। যুগী ঈপাক্তা লূপ্তুনা মরোন-মরাং তাকখিবা নিংথৌ নিংথৌরেল, মীচম-মীয়ামগী ৱারী তানা-তানা, খঙনা খঙনা ময়াই-কাবা-য়ু থক্লরকই মীওইবনা, থক্লখিনি তুংদসু।

'য়ু' - শা-ঙা-তুমিৎ-কাঙগীদমক শুংবা নত্তে। মীওইবনা থক্ননবা শুংবনি। য়ু থকপা ফত্তে - হায়নরকই খুন্নাইসিদা মথক থোংবা অহল লমনশিংনা, মচা-মশু-মখা থাবশিংনা থক্তনবা। ঐখোয়গী পীল্লবা খুন্নাইসিদসু - নোংঙাল্লকপা, অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং - নোংমগী লেপ্তুবা মতমগী খোঙচৎসি শক্তাক্লবা অনৌবা মতমগী মেছিনসি পুথোক্লক্ত্রিঙৈ হায়নরম্মী - য়ুথক অমা, অনী, অহুম, মরি! নোংপোক চীংখৈ হুল্লকপদগী অতিয়াদা চৎপা নুমিৎকী খোঙচৎ, শুমাঙদা তাবা য়ূমগী মমি অমদি নোংচুপ থংবা অতিয়াদা নুমিৎনা ময়ূম চঙখিবা ফাওবগী মতমগী তাঞ্চকশিংদুদা য়ু য়াউম অমা/অনী থকপগী চৎনবী লৈরম্মজাংগনি। য়ুথক অনী হৌখরে, য়ুথক অহুম হৌখরে - হায়নরল্লিবা, চৎনবী অদু লৈবননি। য়ুপান থাবা হায়বা চৎনবী অমসুং নাংকা মরী লৈননা শেল্লবিবা, কাঙলুপ/ফুরুপ খরদি ভসিফাও' ভাক শেল্লিবা অসিনা তাকই 'মীওইবনা য়ু থকপা', থাদোকপা পাক ভল্লোইদবা হৈনবী অমনি। অদুবু য়ু থকপগী থাদোকপা ভমদ্রবা হৈনবী'না মীওইবা থোকহল্লকপা অমাঙবা অমদি ফুদোংথৌবশিংদুগী য়েংলগা, মালেমগী লৈবাক কয়াদা মতম মতমগী লৈঙাক্না য়ু থকপা অমসুং য়োনবা থিংবগী খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপা থোকখি। অমত্তং পনবা তাবদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাদা ১৯২০দগী ১৯৩০ ফাওবা চথখিবা 'টোটেল প্রোহিবিসন ওফ লিকর' পনবা য়াই। ধর্ম্মগা মরী লৈনবা (রিলিজিয়স রিভাইভেলিজমগী) ইস্যুদগী লৌখৎলকখিবা পোলিটিকেল এক্সন অমনি - ১৯১৭তা য়ু এস কোংগ্রেসনা পাস তৌখিবা, অমেরিকান কন্সটিট্যুসনগী ১৮শুবা এমেন্দমেন্ট বিল, ১৯১৯দা অমেরিকাদা ষ্টেট য়াঙ্খেগী শরুক মরি থোকপগী অহুম্না অয়াবা পীদুনা এক্ট থমখি। ১৯২০দগী অমেরিকান ষ্টেট অমত্তদা য়ু শুংবা, মফম অমদগী অমদা য়ু পুথোক পুশিনগী থবক অমদি য়ুগা মরী লৈনবা কব্বার পূম্নমক পুমথিং থিংখি, য়ু থকপা-য়োনবগী থবক্তুদি থমখিসি। অদুমক্তদা পাক চাওরবা সমুদ্রগী ঈশিং-লম্বীদা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী অমেরিকা তম্না পুশিল্লকপদা য়ু থিংননবা হোৎনবা - অমেরিকান কোষ্ট-গার্দশিংগী অরুবা থৌদাং অমা ওইরকখি। অমেরিকান ষ্টেটশিংগী মচি-মচিদা য়ু থকপগা মরী লৈননা থোকপা ক্রাইম-লাকশিনবা ৱারবা থাক অমদা হেনগৎলকখি। ১৯৩৩, অমেরিকান কন্সটিট্যুসনগী ২১শুবা এমেন্দমেন্ট অদুনা অমুক 'প্রোহিবিসন লো' অদু চৎনহনখিদে।

ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং - বিহার, গুজরাট, মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দ'দা আইনগী থোঙদা য়ু য়োনবা অমসুং থকপা য়াদবগী লো চৎনরি। মণিপুরদসু ১৯৯১, মণিপুর পিপলস পার্টি'না লুচিংবা লৈঙাক লৈরিঙৈ 'মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১' হায়না মিংথোনবা য়ু য়োনবা অমসুং থকপা থিংনবগী লো অমা শেমখি - এপ্রিল ১, ১৯৯১। নুমিৎসিগী মমাঙ চহী তরামুকসি মতমদুদা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া, লৈরক খুল্লক শিনবা থুংনা (মরু ওইনা তম্পাক-লমদম অসিদা নুপী খুন্নাইনা লুচিংদুনা য়ু থকপা অমদি য়োনবা থিংবগী অকনবা ঈহৌ অমা লৈরম্মী। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনসু ঈহৌ অদু শৌগৎখি। য়ু থিংবই এক্ট অসি শেমখ্রবা মতুংদগীদি 'নিশা-বন্দ' হায়না খঙনরম্বা লৈকায়-লৈকায়গী লূপ মচা-মচাশিংদু 'মৈরা পায়বী' (টোর্চ বিয়রর) হায়না খঙনরকখরে। থৌদাং অমদি পান্দম হেন্না পাকথোক চাওথোরকখরে। সোসল মুভমেন্ট অমগী শক্লোন লৌরকখ্রে। অদুবু ময়াই-কাবা-চিঞ্জাক চাবা-থকপা থিংবগী এজেন্দাদুদি লৌথোকখিদে। য়ু অমদি অতৈ দ্রগ মখল কয়া চাবা-থকপা-য়োনবা থিংলে হায়বা লৈঙাক্কী দিক্লারেসনদুখক্তনি য়ুঙৌ অমদি য়ুঙাং (লোকল এন' ফোরেন লিকর) থকপা মী হান্নদগী করিসু হন্থরকপা তৌখিদে। ফোংনা য়োনবা য়ারম্বদু অরোনবা য়োনফম ওন্থোকখিবদগী মমল তাঙবা হেনগৎখিবই ৱাতনি। পোৎ-শেং ওইনা য়োল্লম্বদু পোৎ-য়ান য়োনবা য়ানবগী খুদোংচাবদু পীবা খত্তনি। লৈরক-কোন্সাং-কৈথেল মচা/অচৌবা-য়ুঙৌ অমদি য়ুঙাং অনীমক্কী য়োনফম মরাং কায়। ইম্ফাল ময়োলসিমক্তদা পোৎয়ান্নি খঙলবা য়ুঙাং মখল কয়াগী 'য়ুরাংফম' - মরাং কায়না লিংখৎলি। আইন ঙাক্লিবা লো এনফোর্স তৌনবা লৈরিবা, য়ুনিফোর্ম শেৎপা অথৌবশিং- চৎলি মফমদুদা নুতিগী মখোয়গী ফুরিৎখাও চোলহন্নবা/মথক থোংবা ওফিসরশিংদা খূৎপায়-শেল লানখৎনবা 'ইল্লিগেল টেক্স' খোমগৎলি। প্রাক্টিস অসি লৈবনা, 'দ্রাই-ষ্টেট' ওইরবা মণিপুর'দা লৈবা য়ুথকপশিং, প্রোহিবিসন-লো লৈবগী অৱাবা করিমত্তা মায়োক্লদে।

'কান্নদ্রবা লো'নি খঙলবা কনানা, লন্নাই ফুরিৎখাও চোলহল্লিবা য়াম্লবা শেনফমসি লৈঙাক্কী শেঙ্গাওদা চঙখিনবা 'প্রেহিবিসন এক্ট লৌথোক্লসি, য়ু লিগেলাইজ তৌরসি' অকনবা খোল্লাউ লাউরকপবু -খোল্লাউসি থবক ওন্থোক'ঙম্বা অঙম্বা অমত্তসু থোরক্তে। ২০২২, কোংগ্রেস লুচিংবা 'ওক্রম ইবোবী সিংহ'না মতমদুগী চীং-দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা য়ু-য়োনবা-থকপা-য়াদবগী অথিংবা থল্লম্বদু লৌথোক্লে লাউথোকখি। জুলাই ৩১, ২০০২ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি'না মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ২০০২ পাস তৌখি - চান্দেল, চুড়াচান্দপুর, সেনাপতি, তমেংলোং অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টশিংদদি অথিংবা অসি লৌথোকখ্রে। মরম অসি লৈবননি য়ু থিংবা ষ্টেটশিংগী মমিং পল্লকপদা 'মণিপুর' গী মিং লৌথোকখ্রিবা।

ৱারেংসি ইজবগী পান্দম - য়ু শুংবা, য়োনবা অমসুং থকপা থিংবগী মেরিৎ/দিমেরিট নৈনবদু নৎচদে। কান্নদ্রে খঙলবা এক্সর্সাইজ অদুদি তোকথোকপনা ফত্তরা? চুম্না হঙ্গৎচনীংবনি। এক্সর্সাইজ মওং হোংদোল্লগা, অমগীসু অমগীসু কান্নবা থৌওং অমা ওন্থোকপা-অশিংবা থৌশিল ওইগনি থম্মোয় শেংনা হায়নীংই।


'য়ু থকপা ফত্তে' হায়বসিগী মহুত্তা 'য়ু কা হেন্না থকপা ফত্তে' - হায়গদবনি। হায়ফম থোকপনি। কা হেনবা হায়বসিদি - থবক খুদিংমক্তা ফত্তে, চাবদসু, থকপদসু, লাইরিক পাবদসু। থবক হায়বসি তৌফম থোকপা চাংদুদগী হেন্না কৈদৌনুংদা তৌরোইদবনি। চাফম থোকপা চাং, থকফম থোকপা চাংদুদই হেন্না চারুবা/থক্লুরবা অহেনবা শরুক অদুনা হকচাংগী মাঙননবা তৌরকই। মহৈরোয় অমনসু লাইরিক পাফম থোকপা চাংদুদগী হেন্না পারুবা - পেং চোইরবা অঙাওবা ওইরকখিবা- তাখ্রে, উখ্রে, থেংনরকখ্রে। মীতৈশিংনা 'য়ু' গী অতোপ্পা মিং 'হীদাক' থোল্লম্লিবগী মরম, সাইন্টিষ্টশিংনা তাকপা যুগী কান্নবদু পারুরগা খঙলকই। য়ু'দা য়াওরিবা মেদিসিনেল ক্বালিটি'দু মশক খঙনা থক্লগা 'হীদাক থকপা'। ক্বালিটিদু খঙলবসু কাউথোক্লগা, ঙাওননবা, নুংঙাইনবা থক্লগনা 'য়ু থকপা'।

য়ু কৌবা মহী অদু থক্লগা, ৱাওরি ৱাওরি নুংঙাইহল্লিবা, ব্রেনগী মথৌদা অহোংবা অমা লাকহল্লিবদু, 'ইথানোল' কৌবা কেমিকেল অমা য়াওরিবদুননি। সাইন্টিষ্টশিংনা হায়। নুপী অমনা নোংমদা য়ু পেগ অমা থকপা, নুপা অমনা পেগ অনী থকপা হকচাং ফনা থম্নবগীদমক কান্নবা থৌওং অমনি - এক্সপার্টশিংনা হায়বনি। পেগ অমা হায়বসি, মচা ওইরগনা মিলিলিটর ৩০নি, অচৌবা ওইরগনা এম এল ৬০। অচম্বা লোন'দা হায়রগা, টেবল-স্পুন অমগা পেগ অমগা মান্নৈ। টেবল-স্পুন অমা হায়বদি ঐখোয়না শীজিন্নরিবা চমচ অহুম তঙ্খায়নি। অদুবু, ঙাইহাক নুংঙাইথোকপই পান্দম'দা য়ু থক্লিবা কনানা 'য়ু পেগ' কী চাং নীংশিংনবগে? ঈশিং য়ান্দনা গ্লাস থনকোক হৈরগা থক্লিবা 'পাতিয়ালা পেগ' অদুনি ঙসি থক্লরিবা। পাতিয়াল পেগ অদুননি য়ু'বু মশক থীহল্লিবা, তূক্কচ্চনবই মশক ওইহল্লিবা। —*ইন্দ্রকুমার*

# রতন থিয়ামগী 'তাবীদ্রবা তেংথাখোল' শৈরেং লাইরিক অসিদা মিৎয়েং অমা

তুরেলগুম্না চেন্থরি মীওইবগী পুন্সিনা। অমুক হল্লক্কনি হায়বা কনাসু থাজবা ঙমদে। অমুক্তং পোল্লবা পুন্সি অসিমক ওন্থোক্লা মমল য়াম্না নুংশিনা খনবা, পাম্মুজবা অমদি পুন্সি অমনা হিংলম্মী হায়বসি খঙনবা হোৎনজবা মীওই কয়াসু মালেমসিদা মরাং কায়না অদুমক লৈরি। হিংলম্মী অমসুং লেপ্তুনা মালেম তাইবঙপান অসিদা করিগুম্বা য়াইফবা থবক খরদি তৌরমদবা য়াদে খনবা অচংবা মীরোল কয়াসু লৈতবা নত্তে। মণিপুরবু মালেমদা ঠিএটরগী লম্দা শক্তাক্লিবা, মণিপুর অসিমক মালেমগী ঠিএটরগী মেপ অমদা য়াওহনবা ঙম্লিবা থোইদোক্না শক্লাইরবা দাইরেক্টর অমনি রতন থিয়াম। নেসনল স্কুল ওফ দ্রামাদা তম্লকখি অদুগা অমুক লেমজনীংঙাই ওইরবা ইন্সটিট্যুট অসিগী চ্যেরমেন ফাওবা ওইরম্মী। অঙকপা ফংনা ঠিএটরদা মায় পাক্লবা পর্সেনেলিটি অমনি। দাইরেক্টর ওইবতা নত্তনা হীরম কয়াদা এক্সপার্টিজ লৈরবা পোলিমাঠ অমসুনি। অদুনা রতন থিয়াম্না শৈরেং লাইরিক ফোঙদোক্লকপদা শৈরেংশিংদা য়াওরিবা ৱাহৈশিং, শীজিন্নরিবা সিম্বোল অমদি ইমেজরিশিং অঙকপদা ফজে। মণিপুরগী ত্রেদিসন, কলচরবু অমসুং পুৱারীগী মশকপু মাঙহন্দনা থম্লগা মোদর্নিটিবুসু লৌশিন্দুনা ফজরবা কলাগী পোথোকশিং পুথোক্লকপা লেপত্রি। অসিগুম্বা ঠিএটরগী খোঙচৎ অসিদা অইবা অমা ওইনা থোক্লক্লি অঙনবা মতমদগী হৌনা। অইবা মশামক লাই য়েকপনি, দিজাইনরনি। নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা শৈরেং ইদুনা পাদুনা লাকই হায়বগী খুদম য়াম্না মরাং কায়না লৈরি। খোরিরোলগী লূপশিংদা য়াওদুনা মণিপুরী লোল অমসুং খোরিরোলদা লেপ্তুনা কন্ত্রিব্যুসন পীদুনা লাক্লি। 'সনাগী থম্বাল', 'তলা পামেল নহাকসু', 'মাঙখ্রবা সহরগী লোইখ্রবা ৱারী' অসিনচিংবা শৈরেংগী লাইরিকশিং লেপ্তুনা ফোঙদুনা মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচৎতা চাওরবা খুদোল তমদুনা লাক্লি। মতমগী অকনবা শাহুমদা অহোংবা অওনবা কয়াগী মরক্তা খুন্নাইগী শক্তমশিং অইবগী থম্মোয় চেবাংদা লাচনবা লেপ্তে। মসিগী ময়েক লারবা মশক অমনি 'তাবীদ্রবা তেংথাখোল' মিংথোনবা শৈরেং অসিনা ফোঙদোক্লিবসিসু। শৈরেং লাইরিক অসিমক কবিগী অপোকপীগী মফমদা কখোক্লি, 'ইমাগী নুংশিরবী খূয়া তীর্থদা' হায়না নুংশিনা। লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ২৯ য়াওরি। হৌজিক্কী অনৌবা মীরোল অমসুং মৈতৈ ময়েক্তা কয়া খূৎলোইহৌদ্রবা হান্নগী মীরোল অনীমক্লা পাবদা হেন্না খুদোংচানবা হায়দুনা বাংলা অমসুং মৈতৈ ময়েক অনীমক্তা পংশাং শাংদবা শৈরেং ওইনা ইবা থেংনৈ। লাইরিক অসিদা অনৌবা মওং অমদা লাইরিক অসিগী ৱাহৌদোক অমসুং কন্টেন্ট হাপ্তে। মসিসু তোঙানবা মহাউ অমনি। শৈরেংশিং অসিমক্লা ৱাহৌদোকনি অদুগা কন্টেন্ট হায়রগদি লাইরিক অসিমক লোইবা ফাওবা পাহন্নীংবা অমদি ফাওহল্লি।

লাইরিক্কী হেক অহানবা লমায়দা য়াওরি শৈরেং, 'লৈরোল চনলবা মিৎকুপ' অসিমক পুন্সিবু য়েক্লিবা শৈরেংনি। নীংশিংবগী লাতম ময়াম অমা মরোল মরোল পৈখৎলকপদা করিগুম্বদা মসিনা ৱাখলগী কানুংদা ফনগৎলকপা, থম্ফম খঙদবা মতাংসু য়াওদবা নত্তে। পুন্সি অসিমক নীংশিংবগী শঙ্গাই অমা ওইরবসু অমুক অমুক্তংদি থিংজিল্লম্বা ঈশিং দাম থাদোকপগুম থাদোক্তবা য়াদবা মতাংসু য়াওরকই। অদুনা কবিসু তৌফম খঙদনা হায়রক্লি - "খঙদে/হৌখ্রবা ময়াম অসি/করম হায়না থুপ্লগা কদায়দা হাপ্লগা থমগদৌরিবা" (লা: ২) নীংঙমহৌদবা, পেনখিদবা, কপ্লিংখিবা, শাওনিংখিবা অসিনচিংবা পূম্নমক পুন্সি কৌবা লীলাগী তাংকক নাইবা শরুক ঙাক্তনি। ৱারবা মিৎকুপশিংদা নুংঙাইবগী আশা তৌবা ঙম্বশিংনা মিস্ত্রি কয়া ফোংনবা হোৎনবা থেংনৈ। তৌইগুম্বসুং পুন্সি অসিদি অসিমনি অদুনি হায়না ৱাহন্থোক পীবদদি লুবনা মতমগী খোঙচত্তা অদুম কাওশিং ওইবা তাই মীওইবনা। ৱাখলগী থোঙনাওদি হাংদোক্তবা ইয়ামক য়াদে অশেংবা নুংশিৎ চঙলক্লবা অমদি পীল্লবা মীওইবগী কোক্কী তুম্বা অসিদা কান্নবসু কান্নদবা ৱাখলসু চয়েৎনদুনা লৈরিবা অসিগী পোৎলূম অসিমক ময়েং তাহন্নবা। অদুনা কবি রতননা হায়রক্লি, - *"কোফিন মনুংদা হাপ্লা/অশিবা হকচাং/লৈরোল চনলি অশিবা মিকুপ/... লোইখ্রবা হনলক্লরোইদবা ৱারী/অহিংবা চুমদৌনা অমুক/কোইচৎ চৎলি থোপ অসিদা/থোঙনাও মচা অমা হাংদোকনীংই/ফুনগৎপা ময়াম অমা কোকনবা"* (লা: ২)




লাইরিক্কী মমিং :-
তাবীদ্রবা তেংথাখোল (২০১৮)
অইবা :- রতন থিয়াম
অফোঙবা :- থিয়াম ওংৱী
দময়ন্তী দেৱী
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লমায় মশীং :- ৫৮
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ১০০/-




ফজরবা ইমেজরি অমদা পুন্সি খোঙচৎপু প্রেসি রাইতিংগুম্না মচং ওইবা খরদং য়াম্না তেন্না সিনেমাতিক ইফেক্ট অমদা ইরকপা শৈরেং অমনি, **'অশাংবা ৱারীগী অতেনবা পাউদম'** *ঈশিং গ্লাস অহাঙবা অমা/চুরুট মতেক ময়াম্না থনবা এষ্ট্রে অমা/চা থক্তোকখ্রবা কপ অমা/এন্টিবাইওটিক খরা/পেইন কিলর খরা।/শীন-নম নম্বা কা অমা।/লাইরিক অমনবা খরা/শুদবা কুইরবা মোম্পাক ফিদক/ফল্লাংদা চৎতবা ঘড়ী/লৈকাং চারবা ফোটো অমদা নুপী অমা/হাকুম চহীগী কেলেন্দরদা দিসেম্বর/অথাবা আনোক মনুংদগী মানা য়েংলকই"* (লা:৪৪) ঈশিং গ্লাস অহাঙবা অসিমক ভেল্যু লৈশিল্লক্ত্রবা মশক অমা ফোঙদোক্লি। অনাবনা হকচাংগী কয়াৎ খুদিংদা মিকারকপা মতম, লুবা নানবা কয়া থৌওইরক্তবা, কল্লাক কুরু থাংলকপা অহল মতম ওইশিল্লকপগী পীকচর অমদি ময়েক শেংনা ইমেজরি খরসিদা মপূং ফানা ফোঙদোকপা ঙম্লে। কবি রতন থিয়ামগী লীলাশিংদসু অসিগুম্বা দাইলোগ অমনা, কোষ্টুম খরনা য়াম্না লায়না ফোঙদোক্লিবা ৱারোল পূম্নমক য়েংলিবা তারিবা পারিবা মীওইশিংদা ফোঙদোকপা ঙম্বগী হৈশিংবা অদুমক শৈরেং অসিদসু থেংনৈ। পুন্সি য়াচংলকপা মতমদা থেংনরিবা থৌদোকশিং মিৎকুপশিং হাকুম চহীগী কেলেন্দরদা দিসেম্বর হায়না ফোঙদোক্লিবা অসিমক্লা অদুমক লোইনা ফোঙদোকপা ঙম্লে খল্লি। য়াম্না চংখোন্না তেংথাবা শৈরেং অমনি হায়নীংই।

পান্দম খরদি ফংনবা হোৎনরিবা মীওইবগী পুন্সিনি। পন্থুং অদুতং ঙাইদুনসু লৈনদে। মানা মানা ঙমজবা মওংদা হিংনবা হোৎনরি তাইবঙনা। পাম্মু পাম্মুনা কায়নখিগদবা ঙাক্তনি। নুংশি নুংশিনা তাম্খিগনি অমুক্তং লাকপা তাইবঙ খোঙচৎ অসিমক। অদুবু থৱায়না লৈরিঙৈ, লৌশিংনা মাঙড্রিঙৈদদি খনগনু হায়বা য়ারোই থৱায়না খোইদাজবা কনাবুদি। হিংলিবসি মখোয় অদুগী নুংশিবা আশাদনি। চৎখিবদি য়াই তাইবঙ তোর্ব্বান ৱাংমদনা অদুবু নীংশিংবনদি হিংদুনা লৈহল্লি মিকুপশিং। অদুনা কবিনা ইরক্লি 'নোংলিক অমদি নঙ'। য়াম্না তেনবা শৈরেংনি অদুবু য়াম্না নুংশিবা শৈরেং অমদি ওইরি। *"অপাবা ইন্নফি মরুমদা/নুমিৎ অসে লোৎখ্রে/অদুবু লৈনম্না শীনবা থুংবা/লৈহাউ লৈরেন পাম্বীশিংগী উমংদা/ঐগী উরাশিংনা লৈনুংদা/মাঙখ্রবা ঈশিং থিরি।/কৌগনি করম হায়না/নোংগী ঈশৈ শক্তুনা/নোংলিক অমদি নঙবু পুন্না'* (লা:৮)

লাইজ লৈত্রবা ইয়োক কোমদা করম্বা লেপ্লৈনা কয়াম কুইনা হিংদুনা মনিং তম্না চেন-চোংদুনা শান্নজবা ঙমগনি। তাইবঙপান অসিবু শেল্লিবা মপু মহাক্নদি খঙই মালেম অসিদা লৈরিবা অচৎ-চত্তা লেংলি পাল্লিবা পূম্নমক পুংবা শেৎনবা খায়নবা য়াদে। চেক্লাশিংনা মালংগা লেংগোন্নরি। লেপ্লৈনা লাইজগা লোয়নরি। তাইবঙ পুন্সিসু অদুমঙাই। ঙাগী ইমেজরি ওইনা পুশিল্লক্লিবা তাইবঙ পুন্সিগী মশক অমদি অতেনবা শৈরেংশিংদা নীংথিজনা ফোঙদোকপা থেংনৈ। **'ঙা অদুগী থৱায়'** *ফিদ্রিং ফিদ্রিং চোংলম্বা ঙাদু লেঙখিদ্রে/থৱায়বু থিরি।/য়েনথৌ মপালদৌনা নুংশিৎতা পাইদুনা/অমমমতা কেনখিবা ৱাখলগী মফোন।/মায়দা য়াৎপা মমি ময়াম ওন্থোরকই।/আনোক্কী মিংশেলদা য়াওরকই চহী/লৈচীল থাবা হেনগৎলকই/মায়গী ময়িশিংগা শান্নমিন্নবদা/মাইনসতগী প্লস ওন্থোকখি।/নুংঙাইবা থৱায় হিংলম্বনি/ঈশিংদা ঈরোইদুনা শান্নরম্বনি/ঙাদু লেঙখিদবা কুইরে।* (লা: ৪৬)

মিংথোল ওইরিবা শৈরেং 'তাবীদ্রবা তেংথাখোল' না হৌজিক্কী মতমদা পুন্সি অসিবু ভেল্যু লৈতনা মরু ওইনা য়ূম্বাল লম্বী অসিমক লাইধি শান্নবগুম্না লৌনরকপা মতৌ অসিদা মিৎয়েং থমদুনা ইরকপা শৈরেংনি। করিসু খঙজদ্রিবা অঙাং নৱা অমখক পোকপদা ঙাইরিঙৈদা মীনুংশি হৈতনা লায়েংশঙগী অপূম অশা মরক্তা হুন্দোক্লম্বা অমসুং পিক্লিবা অঙাং অদুনা নুংশিরবা মমাবু কৌদুনা মরোল শুজদ্রিবা ওইরবসু তেংথাবগী শক্তম অদু ময়েক লানা লাচল্লি। অদুনা কৌরক্লি *"ইমা!/ঐ য়াম্না ঈংঙে।/খোইরি লীনশাং ককপদা ঙাইরিবা।/পিক্লবা ইমিৎসিনা তাইবঙপান অসিবু উবফাওবা ফংজদ্রিবা/হংঙা হংঙা হায়না নঙবু কৌজবা ফংবগী হরাউজবদু য়েংনীংদদুনা ঐবু/নঙনা ঈংলবা নীংথমথাগী নোংঙাল্লমদাইসিদা/হোস্পিটালগী অপূম্বা নমথীরবা ফত্ত হৌদি মরকসিদা/হুন্দোক্তুনা থম্বীরল্লে।"* (লা: ৪০) মিংথোল ওইরিবা শৈরেং অসিমক লাইরিক অসিদা য়াওরিবা অতৈ শৈরেংদগী খরা হেন্না শাংনা ইবা থেংনৈ। শীজিন্নরিবা ৱাহৈ তেংথারোলনি। ৱাখল খনবদি মাল্লগা ৱাখল য়াওদবা মমা মপা ওইনীংলিবশিংদা পাউজেল অমদি পীরি পুন্সিবু লুনা নুংশিনা খন্নবা মতম লৈবা খুদিংদা। শৈরেং অসিনা ঙসিগী খুন্নাইদা নুপা নুপীশিংনা তাইবঙ পুন্সি লায়না লৌদনা নুংশিবা অঙাং নৱা অমগী মশক লৌদুনা খোন্থোক শুদনা পাউমেল্লি।

চেঙ লৈরিমখৈদি হিংগনি মীওইবনা। মসিদা চেঙ অসিমক পুন্সিগী সিম্বোল ওইনা পুশিল্লক্তুনা শৈথারি। করিগুম্বা মতমদা হীংবসি পোৎলূম অমগুম খল্লকপা মতাং য়াওদবা নত্তে মীওই খুদিংগী পুন্সিগী তাংককশিংদা। হীংনীংবগী আশা অদু ময়েং তাবা মিৎকুপশিংদদি ইখৌ লাংলি। অদুনা হাপ্পীংলি চেঙ মেরুক অমত্তংসু অদুনা নাকোয়ননা হায়রক্লি **চেঙ মেরুক অমত্তং** হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা *"অমমমতা ওইনা চেকশিন্না তুংশিনখিবা/চহী কয়া চঙনা অমনবা নীংশিং মমি/ঙসিদি য়োমশিনলগা লংথোকখ্রে/থোঙ হাংদোক্লে/মঙালনা খাকনা নোক্লগা চঙলকই/মিৎ পাঙথোকপা ঙমদে/চীনবান কংখিবা কুইরে/কুরোল খরতা ঙাইহৌরে/ৱা হায়বা ঙমদে/অনীকপা খুকউ অশোনবা কমলাক/হৌগৎতুনা লৌশিনবা ঙমদে/অনৌবা মতমগী চেঙ খরদুফাওবা/ঐগী থুমোক মচা অসিদি/চেঙ মেরুক অমফাওবা য়াওদ্রে"* (লা: ৫২)

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেং অয়াম্বা মরূ চংলবা ফৌদিগুম্না খোরিরোলগী পুক্কৈদা লাক্কদবা কুমজাশিংদা শৈরেংবু নুংশিজবা কয়াদা চাওনা ইথিল পীবা ঙমগনি হায়না চেৎনা থাজৈ।

—***তোংব্রম অমরজিৎ***

# ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনীগী 'অশেংবা ইরল' - (১)

ওজা ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনীবু নৌহৌননা শক তাক্লিংঙাইদি ওইদ্রে। মমাঙদা শৈরেংগী লাইরিক, ৱারী মচাগী লাইরিক অমদি অঙাংশিংগী লাইরিক্লচিংবা লাইরিক কয়া খুদোল তম্বীখ্রবা অইবীনি। হৌজিক হৌজিক্লা অইবী নুপীশিংতগী ওইবা লূপ 'লৈমরোল খোর্জৈকোল' গী থৌবুরেনবী ওইদুনা লৈরি।

ওজাগী 'অশেংবা ইরল' কৌবা ৱারীমচা কুনগী অপূনবা লাইরিক অসি কুমজা ২০২২গী জুন থাদা ফোঙবীখিবনি। য়াম্না শেংনা হায়জরবদা, ওজাগী ৱারীমচাশিংগী অপূনবা লাইরিক অসি পাজরুবদা করিগুম্বা খরদি ইদবা ঙমদবদগী ৱাফম খরসি ফোঙদোকচখ্রবনি।

অইবা অইবীশিংগী মপূং ওইবা পান্দমদি ইজরিবা খরা অদুনা খুন্নাই অসিদা অফবা অচুম্বা মায়কৈদা খরদং ওইরবসু অওনবা পুরকপা অদুনি। ওজা সুবদনিগী ৱারীমচাশিং অসিনা অপাবশিংদা ৱাখল খলহন্দুনা পান্দমদুমক ফংহন্দুনা কান্নবা খরা পীরে হায়বসিদি হায়মনবা থোক্লরোই। ওজা সুবদনিগী 'অশেংবা ইরল' হায়রিবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীমচা খুদিংমক লোইনা ফজবা ঙাক্তনি। অদুবু খরদং লৌখৎচরগা পাউদমজগে। পুন্সিগী অশেংবা মশক্কা য়াম্না নকশিন্ননা ইবিরকই। থোইদোক্লা খন্দোক খঞ্জিন তৌনীংঙাই লৈতে হায়জনীংই। ওজাগী খূৎইদা মপূং ওইনা প্রমান-পান্থে অমদি পাউরৌনচিংবা মতম খুদিংমক্তা চুমদুনতা লৈরবা পাউতাকশিং য়াওবা থেংনৈ। মসি ওজাগী তোপ তোপ্পা ফিদম্নফম ওইবা খূৎই অমনি। মসিনা কনাগুম্বা মীশক অমনা লাইরিক অসি পারুবদা অচুম্বগী মশক ময়াম অমা অপাবশিংগী মফমদা খঙহন্দুনা অপাবা মীশক্তুগী মফমদা অফবা অচুম্বা নুংশিবা কয়াবু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। অইবীনা মীপূম খুদিংমকপু অফবা চঙ থোকপা মীশক ঙাক্তা ওইহন্নীংবগী খুদমনি। ৱারীমচাশিং অসি পাববু হেক হৌখ্রবদি লোইদ্রিবা ফাওবা পাথনীংবগী ইথিল অমদি শোয়দনা ফাওহল্লি। মসিমক ওজাগী অতাঙবা মতিক ময়াই অমনি হায়দবা ঙম্লোই।

ওজাগী ৱারীশিং অসি ৱারীমচানি হায়রবসু অশাংবা ৱারী (উপন্যাস) কুম্না হেক হেক ৱাখলদা ফাওহনবা ৱারী মচাশিং য়াওরি। করিগুম্বা মতমদা ফিল্ম ওইনা মীত্তা উরকই। মসিমক ওজানা ফিল্মগা খরা শম্নরুবনা ফিল্মগী খূৎইগা খরা নকশিন্নবনা ওইরিদ্রা হায়নসু খল্লকই। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ওজাগী ৱারীমচা খুদিংমক্তা অপাবশিংদা করিগুম্বা খরদি মখা তানা খলহল্লি। ৱারীমচাশিং অসিগী পোলোইদা অপাবশিংগী মফমদা খংপ্রেক খংহন্দুনা খন্নিংবা ৱাখল খঞ্জরো হায়দুনা হেক হেক লংশিল্লম্মী। মসিমক ৱারীমচাগী চপ চাবা মতিক ময়াই অদুনি হায়না লৌজে। ওজাগী ৱারীমচা অয়াম্বদা নুপীশিংগী লমচৎনা মপূং ওইনা য়েক্তুনা নুপী ওইবীশিংগী মফমদা থেংনবা য়াবা থৌদোক ৱাথোকশিং চিংথোক্তুনা উৎলি। মতমসিগী মীওইশিংনা ঙাঙনবা লোন্দাসু শীজিন্নৈ, অমরোমদা অমুকসু অনৌবা ফজবা লোন্দাসু পুথোরকপা থেংনৈ।

ওজাগী ৱারীমচাশিংগী লাইরিক অসিগী ইহান হানবা ৱারীমচা 'ইপোম হৌদ্রবা ঈপাক' হায়বা অসিদা নমথাক তৌবা নুপাশিংগী লাংদা ইচম চমজবী নুপীমচা অমনা থুরুবদু উৎলি। মসি নুপীমচাশিংগী চেকশিন ৱারোল অমসুনি। অদুবু লৈখা তারুরে হায়না লৈরবী নুপীমচা অদুবু চিংখৎপীননবা অভিনাশ হায়বা মপান লমগী নুপা অমনা মমাঙদা লেপ্পরবা মতমদা ৱারোইশিন অদু অপাবশিংদা লংশিল্লম্মী। 'থম্মোয়গী মরী' হায়বা ৱারীমচাসিনা থম্মোয়দগী থোরকপা নুংশিবগী ইহুলদগী হেনবা লৈতে হায়বা উৎলি। য়ূম অমদা লৈমিন্নরিবা মৌ মশেলনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থোরকপা নুংশিবগী ইহুলদগী হেনবা লৈতে হায়বা উৎলি। য়ূম অমদা লৈমিন্নরিবা মৌ মশেন্না নিংঙোল চাক্কৌবগী খুদোল পোৎতা হিদান্নরক্তুনা অচাওরম কানরক্লবদা মৌ অতোম্বী ওইরিবী সনাতোম্বীনা শুপ্নগী ক্বা তাঙ্গদুগা লুপা চাম্মদুগা চাউথোক্না উৎপা ঙমখি। মদুদা মনেমবোক্লা সনাতোম্বীবু শৌগত্তুনা অপাবশিংবু পেলহল্লগা ৱারী লোইশিল্লি। "হায় অঙাওবো, থম্বালগী লৈকাদা য়াওরিবা খোয়থুম্নবা লৈহীদো নক্লা লৈবা হঙোইনা খঙদবনিনে। অরাপ্পদগী পাইরকপা খোইমুনা লৈহী চুপত্রো?" - 'শঙ্গোমগী মহাসাগর' হায়বা ৱারীমচাদুদা ইংজবী তপচবী মমৌ সনালেম্বীগী মীচং চঙদুনা মনেম্বোক্লা মচানুপাদা চৈরকখিবনি। ৱারী মশাং অমগুম্না সনালেম্বী অহল ওইহল্লকই। মচানুপা অনীনা মপান লমদা থবক তৌখ্রে। অমত্তা য়াওজবা মচানুপী মপাল লমদা ময়ূম পান্থোকখ্রে। সনালেম্বীসু নারে। অহল ওইরবা মপুরোইবনা কৃষ্ণ জন্ম নুমিৎ অমদা লাই খুরুম্বা চৎখ্রিঙৈ মপাল লমদা লৈখ্রবা মচাশিং ফাওবা উনবা নংদনা ফমুংদগী তাদুনা পুন্সি লোইখি। ৱাহং অমনি ৱারীমচাসিদা অইবীনা হংলিবসি। সনালেম্বীনা পোলোইদা ফংলিবসি মচাশিং মতিক চাননবা শেমজরুমল অদুরা হায়না অইবীনা হংলিবগুম অপাবশিংদা ফাওহল্লি।

'মা লৈহনগনু' হায়রিবা ৱারীমচা অসিদনা য়ুম্বানমিন্নরিবা মতৈ মনাওগী মরক্তা নুপা অদুনা নুপী অদুবু নুংশিনা লোয়নবীদদুনা ওক্তবা লমচৎ চৎলক্লবদি ৱাখলগী অনাবফাওবা লাকপা য়াই হায়বদু উৎলি। 'লোকদাউন' হায়বা ৱারীমচাসিদদি, লোকদাউনগা মান্নবা অথিংবা কয়াগী মরক্তা ৱাজরিবসি কনানো হায়বদু নৈনবনি। কৈথেল কাদুনা ইমুং পুজরম্বা মোমথোইবু কোরোনানা মংফমদা পুবিখ্রবদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুরম্বা মপুরোইবা মুহোন্না ৱাখল তারক্তুনা ইমুংগী পোৎ চৈ খরা য়োন্থোক্লগা মনা মশিং খরা তিক্তুনা মীঙোন্দগী রিক্সো অমা ৱায়দুনা য়োন্ননবা পুথোরকই। লোকদাউন মনুংগী মচাগী ওনলাইন ক্লাস য়াওননবা মোবাইল অমগী মঙলান্দা পোৎ য়োনবা থোরক্লিবা মুহোনগী মীঙোন্দগী ৱায়রকপা সেরফলা অদু পুলিসনা মুন্দুনা পুরগা চৎখি। অসুম্না লৈত-লায়রগী চৈথেং নংলবা মীওই কয়ানা অসিগুম্বা তাঞ্জাদা নংলিবা অৱাবশিংদু অপাবশিংদা লোইবা নাইদনা নৈনহল্লি। 'লংজিন খঙদ্রবা লংদুম' হায়বা ৱারীমচা অসিদি অরোনবা লৌতুনবা মীহাৎ মীপূন্দা শাগৎতুনা ইবিরকই। অসিগুম্বা থৌদোক অসি ৱারী খরা খেন্নরবসু মণিপুরদা থোকপা থেংনখ্রে। ৱারীমচাসিদা মচিন মনাওশিংগী মনুংদা নুপা পোক্লক্তবদগী নুপা পোক্লক্লনবা হায়দুনা নুপীমচা অতোনবীসিগী মমিং চাউবা কৌখি। নুপা মমিং চাউবা কৌবখক্তা নত্তনা নুপাগুম্না শিনফম খুদিংমক্তা হৈথোই শিংথোইবা ওইরকই। নুপা শমকক কক্তুনা নুপা ফিজেৎ শেত্তুনা মীগীদা থবক শুবা য়াওরম্বদগী মরন্নাই শিনশঙ লিংখৎতুনা চাওখৎলকই। লায়রবা ইমুং ওইরম্বদগী চাউবগী মপান্দগী নুংঙাইবা ইমুং ওইরকখি। অদুবু লাইবক থীবদি ইঞ্জিনিয়র থোইবগী ইমুংদা থবক শুবগী খূৎশুমল লৌবা চৎখিবদগী অদুম হল্লকখিদ্রে। লম্বীদা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ওইনা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি চাউবা। অদুবু চাউবগী মশাদা চাউববু কমদৌনা হাৎখিবগে হায়বগী লংলা লংজিন ওইবা য়াবা পোৎশক খরদি ফংখি। মসিগী লংলা লংজিন অসি কমদৌনা পুথোরক্কদগে হায়বদু অপাবশিংবু খৌরাংনা ঙাইহন্দুনা ইনশিল্লম্লগা লোইশিনখি। লাইরিক অসিগী মিংথোন ওইরিবা ৱারীমচা 'অশেংবা ইরল' য়াম্না ফজবা ৱারীমচানি। মমা মপানা ৱানা হোৎনদুনা মচাশিংবু অচৌবা মঙলান কয়াগা লোয়ননা য়োকপমখৈ য়োক্লক্লগা ময়ূম মকৈ পাল্লক্লবা মতমদা অহল লমনবু তাথী তাওইনা তৌবীরক্তুনা মমা মপাদগী মাগী মাগী নুপীনা হেন্না লূম্না লৌখ্রবদা নুংঙাইগদবা মমা মপা লৈতে। - ***মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।